# রিওগী পেরালিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংলকপা ইন্দিয়াগী টিমবু থাগৎনরকপা

## লৈশাংথেম অজিৎ

*টামিল নাদুগী* সালেম দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং অমদা লৈবা মখোঙ য়েৎথংবগী খুজেং মথক্তা বসনা তকখিবদগী ককথৎখ্রবা চহী ২২ শুরবা মরিয়াপান থাঙ্গভেলুনা হন্দক্তা রিও দি জানৈরোদা লৈবাক ১৬১ দগী দিসএবল শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ১৫ শুবা পেরালিম্পিক গেমসকী হায়জম্পতা মিটর ১.৮৯ চোঙদুনা সনাগী মেদল ফংখিবা অসিনা সহর অসিমক্তদা ওগষ্ট থাদা পাঙথোখিবা সম্মর ওলেম্পিক গেমসদা ইন্দিয়ানা সনাগী মেদল অমফাওবা ফংহৌদবগী নীংহন্নবা অদু খরা মখৈদি ফখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মতিক মথৌনা অমসুং হোৎনবা কনবগী খোঙথাং অসিবু মালেমদা লৈরিবা হকচাংগী শরুক খরা শীজিন্নবা ঙমদবা মীওইশিংদা হায়বদি দিসএবল শান্নরোয়শিংদা ইনোৎ হাপ্পগা লোয়ননা থৌরম অসিমক্তদা পোলিও নারুবদগী মখোঙ নাম্মা মপূং ফানা শীজিন্নবা য়াদ্রবা উত্তর প্রদেশকী গ্রেটর নোইদা মকয়াদা লৈবা জামায়পুরগী সরপঞ্চগী মচানুপা বারুন সিংহ ভাতিনা মিটর ১.৮৬ চোঙদুনা অহুমশুবা তাখি। সনাগী মেদল ফংখিবা মরিয়াপান থাঙ্গভেলু সলেম দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং অমদা লৈবনি, মপাগা মমাগা খায়নদুনা লৈবনা মমানা মচাশিং য়োক্লবা হোৎনবদা অয়ূক্তা সাইকলদা মনা-মশিং হাপ্পুনা পুরগা কৈথেলদা অমদি মীগী ময়ূমদা য়োনবা চৎলি। এথলেট অনীমক হৌখিবা চহী খরা অসি বাঙ্গালোরদা কোচিং অমসুং ট্রেনিং তৌদুনা লৈরক্লি।


পেরালিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বা শান্নরোয়শিংগা ওলেম্পিক্কী মশান্না অমদা চেম্পিয়ন ওইবা অমগা চাংদম্নবদা পেরালিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংবশিংনবু হেন্না ইকায়খুম্নবা হেল্লি, মখোয়না হোৎনবা, কৎথোকপা অমদি নীংহন্নবা লৈতনা থৌনা ফবা হেল্লি হায়না সাইকোলোজিষ্টশিংনা হায়রি। খুদম ওইনা রিওদা সম্মর গেমস ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবদা মালেমগী খ্বাইদগী ফরবা লমজেল্লোয়শিংনা শরুক য়াখিবা ওলেম্পিক অদুগী মিটর ১৫০০ গী নুপাগী লমজেলদা য়ু এস এগী মেথিয়ু সেনত্রোৱাইজনা মিনিট ৩ সেকেন্দ ৫০ চেন্দুনা সনাগী মেদল ফংখি। তৌইগুম্বসুং রিওগী পেরালিম্পিক্তা মমিৎ য়াম্না শেংনা উবা ঙমদবশিংগীদমক পাঙথোকখিবা মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা মকোক মথং অমসুং অহুমশুবা তাখিবা লমজেল্লোয়শিং অদুগী রেকোর্দনা মেথিয়ু সেনত্রোৱাইজদগী হেন্না য়াংনা চেনখি। মমিৎ উদবগী মিটর ১৫০০ গী থৌরম হায়বদি মীৎ শেংনা উদবগী চাং য়াম্না ৱাংবা অলজেরিয়াগী অবদেল লাতিফ বাকানা লমশাং অদুবু মিনিট ৩ সেকেন্দ ৪৮.২৯ দা চেন্দুনা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্না অমেরিকাগী মেথিয়ু সেনত্রোৱাইজনা রিওগী ৩১ শুবা ওলেম্পিক্তা চেনখিবা মিটর ১৫০০ গী সনাগী মেদল ফংখিবা রেকোর্দ অদুদগী সেকেন্দ ১.৭ হেন্না য়াংনা চেনখি। পেরালিম্পিক গেমস অদুদা শরুক য়ারিবশিং অদু হকচাংগী শরুক অমা নৎত্রগা অমদা দিসএবল ওইবা এথলেটশিংনি, মখোয় অসি পোকপদগী ওইরক্লবশিং নৎত্রগা হকচাংদা লায়না লৈরকপদগী দিসএবল ওইরকপা অমদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক এক্সিদেন্ট থোকখিবদগী হকচাংগী ফীভম দিসএবল ওইখিবা এথলেট কয়ামুক য়াওরি। রিওগী পেরালিম্পিক্তা মিটর ২০০ গী কেনোয়িংদা সনাগী মেদল লৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী কর্টিস মেকগ্রেথ মখোঙ অনীমক অফগানিষ্টান্দা বোম্না ককখি। মহাক ওষ্ট্রেলিয়ন আর্মিগী কম্বেট এঞ্জিনিয়রনি, মহাক্না আফগানিষ্টানগী উরুজগান কৌবা মফমদা ফুমদুনা লৈরম্বা বোমশিং লৌথোকপগী মথৌ তৌরম্মী মদুদা আই ঈ দি অমা মখোঙনা নেৎলুবদগী পোকখায়রক্তুনা মখোঙ অনীমক মফৈগন্দা ককখি। মতুংদা কেনোয়িং হায়বদি হি মচা হোনবগী থৌরমশিংদা পূক্নিং চঙনা হোৎনদুনা পেরালিম্পিক্তা মকোক ওইখি।

ইন্দিয়াগী দিপা মালিক পেরালিম্পিক গেমস অদুদা নূং হুনবদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা লৈবাক অদুগী নুপীশিংগী মনুংদা পেরালিম্পিক গেমসদা মেদল ফংবা ঙম্মী অহানবা নুপী ওইখি। মচানুপী অনী লৈরবী দিপা মালিক স্পাইনেল কোর্দতা ট্যুমর তৌরক্তুনা ৩১ রক ওপরেসন তৌখিবদা মায় পাকখিদে, থবাক মখাদগী মহাক্কী হকচাংগী শরুকশিং পেরেলাইজ তৌখি, লেংবা ওৎপা ঙমখিদে। মহাক হ্বিল চেয়র, কাঙখোং পানবা চৌক্রি শীজিন্নদুনা মশাগী শাজেল কয়া অমুক হন্না তৌদুনা নূং হুনবা অমদি তা লংবদা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মেদল কয়ামুক ফংদুনা কুমজা ২০১২ দা লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিংদা পীবা মনা অর্জুনা এৱার্দ ফংখি। মহাক মোটোর স্পোর্টসশিংদা শরুক য়াদুনা এদভেঞ্চরদা য়াম্না থৱায় য়াওবা নুপীনি। মহাক্না রিওদা এফ-৫৩ গী কেটগোরিদা মিটর ৪.৬১ শান্না লংখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১৯ না শাবা টিম অমা রিওদা পেরালিম্পিক গেমসদা শরুক য়ানবা থাখিবদা শান্নরোয় মরিদি মেদল ফংলকখি। মখোয়গী মনুংদা হায়জম্পদা অহানবা অমদি অহুমশুবা তাখিবা মথংশিংনা মারিয়াপান থাঙ্গাভেলু অমসুং বারুন সিংহ ভাতি, নুপীগী নূং হুনবদা অনীশুবা পোজিসন ফংখিবী দিপা মালিক অমসুং তা লংবদা সনাগী মেদল ফংখিবা রাজস্থানগী দেবেন্দ্র জঝারিয়ানি। মহাক্কী মখূৎ নাম্মা অঙাং ওইরিঙৈদা ইলেক্ট্রিক্না চিংবদগী ককখি, মরম অদুনা মহাক্না শরুক য়ারিবা কাঙলুপ অদুদি মপাঙ্গল কনবা, মশাদা মপূং ফানা ট্রেনিং তৌবা য়াবা ফীভম কায়দবা এথলেটশিংগনি, মখোয়গী হায়ববু মখূৎ নাম্মা য়াওদবখক্তনি। মহাক্না কুমজা ২০০৪ দা এথেন্সতা পাঙথোকখিবা পেরালিম্পিক্তা তা লংবদা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল ফংখি, ইন্দিয়া লৈঙাক্না শেন্থং পীদুনা ফিনলেন্দা কোচিং তৌরুরবা দেবেন্দ্র জঝারিয়া রিওদা মিটর ৬৩.৯৭ শান্না লংদুনা মহাক্কী হান্নগী রেকোর্দ অদু থুগাইদুনা অমুক হন্না সনাগী মেদল লৌখি।

রিওগী গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১৯ থাখি। শান্নরোয়শিং অদুনা এথলেটিক্স, আর্চরি, শুটিং অমসুং পৱারলিফটিংদা শরুক য়াখিবদা এথলেটিক্সকী থৌরমখক্তমক্তা মায় পাক্লকখি। অমরোমদা শান্নরোয় খ্বাইদগী য়াম্না শরুক য়াবা চাইনানা সনাগী মেদল ১০৭, লুপাগী মেদল ৮১, শেঞ্জেংগী মেদল ৫১ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। মথংদা গ্রেট বৃটেন্না সনাগী মেদল ৬৪, লুপাগী ৩৯, সেঞ্জেংগী ৪৪ ফংদুনা অনীশুবদা লৈখি।

পেরালিম্পিক গেমস চহী মরি মরি লৈরগা দিসএবল শান্নরোয়শিংগীদমক্তা পাঙথোকপা ওলেম্পিকনি। মরম অদুনা গেমস অদুদা মশান্না কয়াদা অথোই অহেন তান্নহনবা দিসএবলশিংগী খ্বাইদগী চাওবা থৌরমনি। মসিদা মালেমগী মফম কয়াদগী শান্নরোয়শিংনা লাক্তুনা শরুক য়ারি। হকচাংগী শরুক্তা মীমান্নদ্রবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অমগা অমগা লম্বা তৌননবা পাঙথোকপা ওলেম্পিক অদুদা মশলগী শক্তি ৱাৎতুনা হকচাংগী শরুক খরা শিথরক্লবা মীওইশিং, পোলিও নারুবদগী হকচাংগী শরুক খরা দিসএবল ওইরবশিং, স্পাইনেল কোর্দ শোকপদগী চৎপা ঙমদবনা হ্বিল চেয়র শীজিন্নবশিং, মখোঙ অনীমক ককখিবা, মখোঙ নাম্মা ককখিবা, মখূৎ নাম্মা ককখিবা, মখোঙ অনী শাংবা মান্নদবা, মথিক নেম্বা মীওইশিং, শীংলিগী লায়না লৈবশিং অমদি মমিৎ উবগী চাং য়াম্না ৱাৎপা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াই।


মরিয়াপান থাঙ্গভেলু

ইন্টরনেসনল পেরালিম্পিক কমিটিনা দিসএবল শান্নরোয়শিংগী অথোই অহেন তান্নবগী অশিল অরাং তৌবা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা লূপনি। লূপ অসিদা মালেমগী লৈবাক ১৭৬ কী নেসনল পেরালিম্পিক কমিটিনা এফিলিয়েট তৌই। মসিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিক কমিটিসু এফিলিয়েট তৌদুনা কুমজা ১৯৬৮ দা মেক্সিকোদা পাঙথোকখিবা পেরালিম্পিক্ত অহানবা ওইনা শরুকয়াখি, মেদল অমত্ত ফংখিদে। গেমস অদু অহানবা ওইনা রোমদা কুমজা ১৯৬০ দা পাঙথোকখিবদগী চহী মরি মরি লৈরগা হৌজিকফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি অমদি কুমজা ১৯৭৬ তগী ৱিন্টর পেরালিম্পিক্তা উন মথক্কী মশান্নশিং উৎতুনা পেরালিম্পিক গেমস হৌদোকখি।

কুমজা ১৯৪৮ দা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও লোয়বা মতুংদা লান্দা অশোকপশিং ইংলেন্দগী ষ্টোক মেন্দেভেল্লে কৌবা মফমদা দাক্তর লুদৱিগ গুট্টমেনগী মখাদা লায়েংদুনা লৈরম্মী। মখোয়গী মনুংদা স্পাইনেল কোর্দ শোকপা লান্মীশিংসু য়াওরম্মী। মখোয়শিং অদুবু লায়েংবগী শরুক অমা ওইনা হ্বিল চেয়রদা ফমহল্লগা ফেন্সিংগী প্রেক্টিশ তৌহল্লি, বোল হুন্দুনা শান্নহল্লম্মী অমদি মখল কয়াগী শাজেল পীদুনা মখোয়গী মরক্তা অথোই অহেন তান্নহল্লম্মী। ডোক্তর লুদৱিগনা অসুম্না চাং নাইনা অথোই অহেন তান্নহনবা অসিদা চহী মরি লৈরগা হোলেন্দগী টিম অমা লাক্লগা শরুক য়াখি। অসুম্না চথরকপদগী পেরালিম্পিক্কী মুভমেন্ট অসি তপ্না তপ্না শন্দোরক্তুনা হৌজিক্তি মালেম শিনবা থুংনা পেরালিম্পিক্সপু পূক্নিং থৌগৎনরক্লি।

# মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কনখিবা নুমিৎ (সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৮- পূর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বগী মায়োক্তা হিজম ইরাবত)

## — সোটিনকুমার —

**মতম** অদুমক্তি 'মণিপুর' ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ কী মতুং ইন্না লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমা থম্নবগীদমক্তা ইলেক্সন্দি লোইখ্রে অদুবু মেম্বর ৫৩ লৈগদবা এসেমব্লি অদুগী অহানবা মীফমদি পাঙথোক্ত্রিঙৈনি। মতমদুগী লৈঙাক চুপ্লি অদু চীফ মিনিষ্টর য়াওরগা মিনিষ্টর তরেৎ লৈবা মণিপুর ষ্টেট ইন্টরিম কাউন্সিলনা পুবনি। কুমজা ১৯৪৭, ওগষ্ট ১৫ দা ইন্দিয়া মনিং মখা তমখিবগা লোয়ননা মণিপুরদসু ওগষ্ট ১৪ অমসুং ১৫ গী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদা মতমদুগী মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী চীফ মিনিষ্টর সাহেব মচা পীয়রসন্না বৃটিশকী ফিরাল য়ুনিয়ন জেক চিংথখিবগা লোয়ননা সাহেবকী লৈঙাক লোইখ্রে। ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭ কী অয়ূক পুং ৮ তাবদা ৱাশক লৌখিবা এম কে প্রিয়ব্রতনা চীফ মিনিষ্টর ওইবা অনৌবা ষ্টেট কাউন্সিল অসিনা লৈঙাক্কী থবক পায়বা হৌখি। মতম অদুগী ওইনা তম্পাক্তা লৈবা মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি খরদি ঃ ১) মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস ২) মণিপুর কৃষক সভা ৩) সোসিয়েলিষ্ট পার্টি অমসুং ৪) প্রজা শান্তি অসিনি। মহারাজনা নোমিনেট তৌগদবা চীফ মিনিষ্টর য়াওরগা সিট ৪৩ লৈগদবা এসেমব্লি অদুদা ইরাবতনা প্রসিদেন্ট ওইবা কৃষক সভাগী মেম্বর মঙা কাই। হিজম ইরাবত উংলৌ কেন্দ্রদগী মখোয় মঙা লেপমীন্নবদা ভোৎ পুনশিন্নবদগী ভোট ৮০৫ হেনখি। কৃষক সভাগী মেম্বর মঙানা ফংখিবা ভোট মশীং অদুদি ঃ

| ন. | কেন্দ্রগী মশীং | কেন্দিদেটকী মিং | ফংবা ভোট মশীং | অপূনবা মীরেপ |
|---|---|---|---|---|
| ১। | উংলৌ | হিজম ইরাবত | ১৯৫১ | ৫ |
| ২। | নম্বোল | অয়েকপম অঙাংহল | ১৬৫২ | ৩ |
| ৩। | ককচীং | থোকচোম শ্যাম | ২১৬০ | ২ |
| ৪। | শগুন্থু | মাইমোম মধুমঙ্গোল | ১৮৬৮ | ৮ |
| ৫। | পাঙ্গৈ | তখেল্লম্বম বোকুল | ৭৯৮ | ৮ |

মথক্কী ইলেক্সন ফল অসি রিটর্নিং ওফিসারনা তাং ১৯/০৭/১৯৪৮ দা নোটিশ অমা থোক্তুনা তাং ২৮/০৭/১৯৪৮ কী মণিপুর ষ্টেট গেজেত্তা ফোঙখি।

কেন্দ্রগী কোংগ্রেস ৱার্কিং কমিটিনা মণিপুর, ত্রিপুরা, কছার, লুশাই পহার (মিজোরাম) পুল্লগা পূর্ব্বাঞ্চল ষ্টেট শেম্নবগী ৱারেপ লৌখিবা অসিমক্তি ১৯৪৮ গী সেপ্টেম্বর থাগী অহানবা চয়োল লোইবদনি। তাং ১০/০৯/১৯৪৮ কী 'হিন্দুষ্টান ষ্টেন্দার্দ' তা ন্যু দিল্লি সেপ্টেম্বর ৮ গী ন্যুজ আইটেমদা অসুম্না য়াওখি — "The Congress working committee before concluding its three days session today met for two hours to consider the report of the state committees on the organisation of the Congrees in the states which have acceded to the Indian Union or have merged with the province Sarder Patel presided in the absence of Congress President Dr. Rajendra Prasad who is indisposed. The working Committee agreed to the information of the following new provincial Congress Committee as recommended by the State Committee :... (b) Cachar, Manipur and Tipura will be joined to constitute a separate bi-lingual provincial congrees committee, its languages being Bengali and Manipuri..."

পূর্ব্বাঞ্চল কৌবা ষ্টেট অমা শেম্নক্পগী মাঙজীন থাবা খুজিল থৌরাং অমা ওইনা অহানবা প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটি অমা ওইনা লিংখৎপগী থৌরাং লৈরে হায়বগী কোংগ্রেস ৱার্কিং কমিটিনা ৱারেপ লৌগদবা থা অমা মখায় ৱাৎলিঙৈদগী মণিপুরদা তাবা ফংনরবা ৱাফম অমা ওইরম্মী। মদুগী খুদমদি "A State strictly confidential letter N. 147 dated 23/7/48 from the Office. Private Secretary to the Maharaja of Manipur to the Private Secretary to the Maharani of Tripura" হায়না থাবা চিঠি অমা মণিপুরগী সনা কোনুংদগী ত্রিপুরাগী মহারানিগী প্রাইভেট সেক্রেটরিদা থাখি।

মতম অসিদা, মণিপুরগা ইন্দিয়াগা অনীগী মরক্তা লৈনগদবা মরীগী ৱাফম খরদং পল্লমদবা য়াদবগী মথৌ তারকই। মসিগী মতাংদদি জননেতাগী ফিরেপতি কুমজা ১৯৪৬ এপ্রিল ১৫ দা তিন্নখিবা ব্যাবস্থাপক সভা সম্মারক পত্র অমসুং রিজোলুসন নম্বর ৫ শুবদা লেপখিবা অদুনা অদুম তাকচরে। ইরাবত মশানা পুখৎলম্বা মহাসভাগী ৱারেপ অসিনা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী যুক্তা রাষ্ট্রদা করম্না য়াওগদগে হায়বদু ময়েক শেংনা তাকচরি। মহাক্না পাল্লম্বদি – "মালেমগী অহানবা সোসিএলিষ্ট রিপব্লিক অসি নীংখা তম্বা রিপব্লিক ১৫ গী ভোলুন্টরি য়ুনিয়ন শেমদুনা পূন্না লৈবাক ঙাকমিন্নদুনা, "মালেমগী মনুংদা শিংথানরম্বা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইখি। লৈবাক ১৫ অদুগী মনুংদা য়াওবা যুক্রেন অমসুং বেলোরুসিয়া অনী অসি য়ু এনগী মেম্বর অমমম ওইখি। ঐখোয়না খঙই মদুদি সোভিয়েৎ কন্সটিট্যুসন অসিদি তোপ তোপ্পা ফেদ্দরেল প্রিন্সিপাল অমদা যূম্ফম ওইবনি। মসিদি মশা মশানা য়াদুনা রিপব্লিক ১৫ না পুনশিন্নবনি। য়ুনিয়ন অসিদগী তোপ্পা লৈবা য়াবগী অখন্নবা রাইট রিপব্লিকশিং অদুদা পীরি। য়ু এস এস আরগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকিল নম্বর ৭ তা অসুম্না ই ঃ "Each Union Republic shall retain the right freely to secede from the USSR" মখোয়গী তোঙানবা কন্সটিট্যুসন লৈজবা য়াই। মখোয়গী লমগৈ ঙমখৈ হোংদোক হোংজিন তৌবা তারবদি মখোয়গী অয়াবা লৌগদবনি। জননেতানা মণিপুর প্রজা মন্দলগী সেক্রেটরি ওইরিঙৈ মহাসভাগা মণিপুর প্রজা মন্দলগা অনীগী অপূনবা মিটিং অমা তাং ৫/৪/১৯৪৬ তা পাঙথোকখিবা অদুগী ৱারেপ নম্বর ৬ (বি) দসু অসুম্না হায় - "This meeting resolves that Manipur will remain as a Free Manipur inside Free India..."

পূর্ব্বাঞ্চল কৌবা প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটি শেম্নবগী থৌরাং অসি পূর্ব্বাঞ্চল কৌবা প্রদেশ অমা ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা শেম্নবগী অরোনবা থৌরাংনি হায়বসি জননেতানা খঙলম্মী। মতাং অসিদা ঐখোয়না নীংশিংবা য়াবদি ভারত জাতিয়া কোংগ্রেসকী ৱার্কিং কমিটিনা পূর্ব্বাঞ্চল শেম্বগী ৱাফম অসি, নোর্থ ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার প্রোভিন্স শেম্নবগী থৌরাং অমা প্রোঃ কুপলেননা পুখৎলম্বা অদুদা খরা শেমদোক শেমজিন তৌবা ৱাখল অমরা হায়বসিনি। জননেতানা মণিপুর প্রজা মন্দলগী সেক্রেটরি ওইরিঙৈ মতমদা মহাসভা অমসুং মণিপুর পুজা মন্দলগী অপূনবা মিটিং অমা তাং ৫/৪/১৯৪৬ তা তৌখি। মিটিং অদুগী ৱারেপ নম্বর ৬ (এ) দা থৌরাং অসি য়াম্না কন্না য়ানিংদে হায়না লেপপ্লখ্রবনি। ৱারেপ অদুগী কোপি অদুমক ইন্দিয়াগী ভাইসরোই অমসুং আসামগী গভর্ণরদা খন্নবীনবা অমসুং লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীরক্লবা পীখৎখ্রবনি।

জননেতা অমসুং মহাক্কী তুংইনবা লুচিংবশিংনা মণিপুরগী মফম পুম্নমক্তা চৎতুনা পূর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বা য়াদবগী ৱাখল্লোন শন্দোক্লম্মী। লোয়ন-লোয়ননা মান্নবা খুন্নাইদা যূম্ফম ওইবা অনৌবা মণিপুর অমা শেম্নবগী ঈহৌ কন্না শাগৎলম্মী। পুম্নমক অসি খঙবদগী জননেতাগী খোঙজং অসিবু মরু ফুক্তৎনবগীদমক মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী স্পিসিয়েল মিটিং অমা তাং ৩/১/১৯৪৮ দা তৌখি। মিটিং অদুদা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টর তরেৎমক লাকখি। মিটিং অদুদা অসুম্না ৱারেপ লৌখি।-Whereas in the opinion of the council of Manipur State, the activities of the organisation known as Krishak Sabha (Communist) in the state are now becoming subversive of law and order, it is in the interest of public security and maintenance of public order that such activities be prohibited.

It is hereby ordered that under sect. 6 (1) of the Act. V of 1947 i.e. the Assam Maintenance of Public Order Act. 1947 adopted by the special C.R. No. 1 of 4-5-48 that the holding of processions, meetings or assemblies by the organisation known as Krishak Sabha and its members are prohibited unless a written permission from the S.P. prior to holding of such processions etc.

It is further ordered under sect. 7 (1) of the same act that the said organisation and its members are prohibited from holding of camps of any kind, performance of drill or parade with or without arms or any article, weapon or implements capable of being used as arms.

Any contravention of the above orders directly or indirectly shall be punished with imprisonment which may extent to two years or find upto Rs. 1000/- or with both." অসুম্না য়াম্না কনবা অথিংবা অমা থল্লক্লিবা অসিমক্তি জননেতানা পূর্ব্বাঞ্চলবু প্রদেশ শেম্বা য়ানীংদবগী থবক পায়খৎলকপগা লোয়ননা মান্নবা খুন্নাই অমগী মণিপুর শেম্নবগী ঈহৌ শাগৎলকপা থিংনবা অদুগীসু মথক্তা ১৯৪৮ ফেব্রুৱারী থা লোইবা অদুৱাইদগী রানাদিবেগী লুচিং মখাদা লৌরকপা ইন্দিয়ন কম্যুনিষ্ট পার্টিগী পোলিটিকেল রিজোলুসন খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌবগী মতম চারে হায়বগী অনৌবা ফিরেপ অমসুং ১৯৪৮ এপ্রিল থা অদুৱাইদগী বর্ম্মাদা হৌরকখিবা খূৎলায় পায়বা কম্যুনিষ্ট লালহৌ অদুগা জননেতাগী পোলিটিক্সকী ওইবা থবকশিংগা শমজিন্নরকপা য়াবগী অকিবা অমদগীসু ওইগদ্রা হায়না খল্লি।

### সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৮ পুঙদোংবম থৌদোক

কৃষক সভা অমসুং প্রজা সঙ্ঘনা এম দি য়ু হোলদা এস পিগী অয়াবা লৌরগা কৌখিবা পূর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বা য়ানীংদবগী পব্লিক মিটিং অদু য়াওনবগীদমক্তা প্রজা কয়ানা ইম্ফাল তম্না হাইগৎনরকখি। লৈঙাক্কী অথিংবা অসিবু শিংনদুনা লমলাইরোমগী লৌমীশিংদি চুম্না মিটিং অদু য়াওবা লাকপদগী হেন্দোক্তুনা পূর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ য়ানীংদবগী ওইবা অপূনবা মীফমগী খোঙচৎ অমা ওইনা চঙশিল্লকখি। নুমিৎতু সেপ্টেম্বর ২১ লৈবাকপোকপা নুমিৎনি। অয়ূক্কী পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা মীয়ামগী অপূনবা খোঙচৎ অদু খোঙশান্নবগীদমক অঙনবা অয়ূক্তগী হৌনা নোংঙাদাদা লৈবা নিংঙোম্বম কুল্লচন্দ্রগী যূমদা মীয়াম তিনবা হৌরে। লৌমীগী লুচিংবা ফৈরোইজম কহ্নাই মচানা লাঙ্গোল কারল য়েকপা কষক সভাগী অঙাংবা মচুগী ফীরাল অদু হাইদুনা মীয়াম্বু তরাম্না ওকখি। পুং ৯.৩০ তাবদা খোঙশান্নবা শেম শারিবা মীয়ামগী মমাঙদা বেন্দ পার্টি অমা নীংথিনা পরেং শানা লেপখি। মীয়াম খোঙচৎ অদু ফিমু শেৎপা ভলন্টিয়ার ১৫০ রোম্না লুচিংখি। খোঙচৎ অদুদা নুপী কয়াসু য়াওরকখি। নুপী লুচিংবীশিংদি – কামেং জাতি, কোন্সম ওংবী থম্বাল, চনাগী লাইকংবম ওংবী রাধেতোম্বী, লৈচোনবম লায়বী, ফৈরোইজম কন্যা অসিনচিংবনি। বেন্দ পার্টিগী মমাঙদা লৌমীগী লুচিংবা ফৈরোইজম কহ্নাই মচানা লাঙ্গোল কারল য়েকপা অঙাংবা ফীরাল পায়দুনা ধোন বেন্দ পার্টিগী ইৱায় ঈনিলগা লোয়ননা খোঙচৎ অদু হৌরকখি। খোঙচৎ অদুগী মনুংদা চল্লৌগী লৌমী লুচিংবা লাইরেনলাকপম অঙাংহলসু য়াওরকখি। খোঙচৎ অদুদা মী য়াম্না তিনখিবগী মরমদি থংনবা কেন্দ্র অনী – শগুন্থু অমসুং পাঙ্গৈদগী কৃষক সভাগী মীহুৎশিং মথংশিৎনা মাইমোম মধুমঙ্গোল অমসুং তখেল্লম্বম বোকুলবু ভোট কাহনখিবা অমদি মীয়াম্না জননেতা ইরাবতকী পূর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বগী মায়োক্তা লৌখিবা ফীরেপ অদুবু শৌগৎপা অদুননি। মীয়ামগী খোঙচৎ অদুবু থিংননবগীদমক্তা ইম্ফালদগী লাকপা খূৎলায় পায়বা পুলিস খূৎপু অমনা পুঙদোংবমদা মায়োক্লখি। খোঙচৎ অদুদা য়াওখিবা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিজবা মীওইশিংবু তমথিরবা পুলিসকী খূৎপু অদুনা ফুবা চৈবা হৌরকখি। খোঙচৎ অদুগী লুচিংবা কহ্নাই মচাবু অতম্ননা ফানবা হোৎনরকখি। মতমদু লাংবন তর্পনগী মতম ওইবনা উসব কৎতুনা লৈবা লাইগী থৌগল তৌজরম্বা মীওই কয়ানা খোঙচৎ অদুবু শৌগৎতুনা ময়ূম থাদোক্তুনা চেম্থোক্লরকখি। 'লৌমী খুনীংকাইশিং' হায়না লাউবা পুলিসকী অয়াকপা খোঞ্জেল তাবদা অনকপা লৌফমশিংদা লৌরাং শুজরম্বা লৌমীশিংনা মমিৎতা কোরী ঈ কাদুনা খোঙচৎতুবু য়াওনবা চোঙথোক্লরকখি। মখোয়গী মরক্তা নহা ওইরিবা নোংমাইথেম ভুবন অমসুং শেক্তগী অমু অনীবু লমজাওদা লোংদা হিপহল্লগা মীনুংশি লৈত্রবা তমথিরবা পুলিসশিংগী খোঙউপ বুটনা নেৎখায়খি। মদুনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী ঈরাং কনখৎলকখি। ঈরাংদুবু নমথনবা পুলিসকী ওফিসার কৈশাম নরানবাবুনা 'নোংমৈ কাপ্লো' হায়না ওর্দর তৌরকখি। মথৌ মশক খঙবা, য়াথংদবু ইঞ্জবা পুলিসশিংনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখি। খোয়শাউনরবা মীয়াম্না পুলিসকী নোংমৈ গুলি কিদনা মরৈবাক কঞ্জনবা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা পুলিসশিং অদুগী মায়কৈদা অকিবা লৈতনা ফুজিল্লকখি। পুলিসশিংগা নোংমৈ মুন্নরকখি, শয়েং পাম্বোম ঙানদুনা থেংনরকখি। লাইবক থিবদগী কৈশাম নরানবাবু মশাগী নোংমৈ গুলিনা পান্দুনা অরোইবা য়াহিপ তানখি। থৌদোক অদুগী পাউ তাবদগী ইম্ফাল লোমদগী পুলিস কয়া অমা খোয়রেল মশা পায়বগুম্না লম্লাই মায়কৈদা হাইথরকখি। মীয়াম্বুফু চৈবা হৌরকখি। মীয়াম্বু ফাদুনা ইম্ফালদা পুনবা পুলিসশিংনা হোৎনরকখি। মদুগী মায়োক্তা থৌনা ফবী জাতি, থম্বাল, লৈবাক্লে, কন্যা, থাগোই, রাধেতোম্বীনচিংবা মরৈবাকনীংবী মৈতে চনুরা কয়ানা লীংজেল লৈনা লেপখি।

নরানবাবু তুখিবগী পাউ ইরাবতকী মফমদা তম্লনবা নোংঙাদাগী খোংবানতাবম খুরাইনা থিন্দুনা সাইকল অমা তোংদুনা ইম্ফাল তম্না হাইগৎলকখি। মহাক্না এম দি য়ু হোল হেক য়ৌরকপগা ইরাবততা পুংদোংবমগী থৌদোক অদু চিংখদনা পাউদমখি। পাউ অদু তাবগা ইরাবতনা "মিটিং য়ৈথোক্লে, নখোয় ময়ামসু চেকশিল্লু" হায়রল্লগা থোকচোম বোরোগী সাইকল তোংদুনা নম্বোল মায়কৈদা হাইথখি। উংলৌগী লাইশ্রম লৈরেনগী শঙ্গাইদা থুংখি। থৌদোক অসিদগী ইরাবত অমসুং মহাক্কী তুংইনবা লাইশ্রম কহ্নাই, তখেল্লম্বম বোকুল, থোকচোম বোরা, তখেল্লম্বম ইবোতোম্বীনচিংবা নহারোল কয়াসু ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা মীরোৎ ওইনা লৈখি।

মতৌ অসুম তৌনা থোকখিবা থৌদোক অসিদগী হিজম ইরাবতপু ফানবা মণিপুরগী ইন্টরিম গভর্ণমেন্টনা ৱারেন্ট ইস্যু থোক্তুনা মহাকপু অমসুং মহাক্কী তুংইনবশিংবু কোয়তান তান্নখি। লোয়ননা ইরাবতকা মরী লৈনবা পার্টি অমসুং ওর্গেনাইজেসনশিংবু আইন্না য়াদবনি হায়দুনা অথিংবা (বে আইনী) থমখি। মহাকপু ফাবা ঙম্বা অমসুং পাউ পীবা মীশক্তা লুপা ১০,০০০/- গী শেলগী মনা পীগনি হায়দুনা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা লাউথোকখি। মতুং তারকপদা পীদোনু চীংদা লোক্তুনা লৈহৌবা ফৈরোইজম কহ্নাই মচানা লম্লাই মায়কৈগী খ্বাই মীয়াম পুম্নমক পুলিসকী তমথিরবা মীওৎ মীনৈ অমদি ফু চৈবদা শিবা তারে খন্দুনা খুঙ্গংগী চৌকিদার, কমেংগী নবদ্বিপ অমসুং নোংগ্রেনগী চৌকিদারগা লোয়ননা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা চৎতুনা সরেন্দর তৌখি। মদুগী মতুংদা লৌমী য়াঙৈনিথোই (৫২) খক নত্তনা অয়াম্বা লৌমীশিং জেলদগী থাদোরকখি। অদুবু থাদোরকপা লৌমীশিং তমথিরবা মীওৎ মীনৈগী চৈথেংনা পীরকপা খুদোল-ঈ ওবনচিংবা লায়না মায়োক্লন্দুনা মপুন্সি লেনখি।

পুঙদোংবম থৌদোক অসিগী মরমদা সি আই দিগী অরোনবা রিপোর্ট অমা মথংগী নুমিৎ তাং ২২ দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখি। সি আই দি রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্নদি ফৈরোইজম কহ্নাইমচানা লুচিংদুনা কৃষক সভাগী মীয়াম খোঙচৎ অমা ইম্ফাল লোমদা চঙশিল্লকখি। ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সি কে নরানবাবু সিংহনা লুচিংবা পুলিস পার্টি অমনা পুঙদোংবম খুল মনাক্কী লম্বীদা থেংনরম্মী। লুচিংবশিং অদু ফানবা হোৎনরিঙৈদা গোলমান অমা লাকখি। মদুদা পুলিস ওফিসার কে নরান সিংহ অসিবু কৃষক সভাগী মেম্বর লাইরেনলাকপম অঙাংহল সিংহনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। মতমদুদা কমেং খুলগী চৌকিদারগী নুপী জাতি দেবীনা লুচিংবা নুপী কাঙবু অমনা কহ্নাই মচাবু ফাবা অদু থিংনবা হোৎনখি। তাঞ্জা অদুদা হৱাগাড়ী লোরী নম্বর ৩৮৮ এ এস এম (এম এন এস ?) না কৃষক সভাগী মেম্বর ২/৩ পুদুনা কৃষক সভাগী প্রসিদেন্ট ইরাবত সিংহদা পাউ পীবা চৎখি। মখোয়গী অনীংবদি তারিখ ২৯-৯-১৯৪৮ দা হান্না ফাখিবা কৃষক সভাগী মেম্বর ৫ পুলিসনা ফাদুনা জেলদা লৈরিবা অদু ফোর্স শীজিন্নদুনা কন্নবা হোৎনবা হায়বসিনি। মথক্তা পীরিবা পুলিস সি আই দি অনীগী রিপোর্ট অসি পংই ইশিনবা যূম্ফম য়াওদবা মীচম মীয়াম্বু ওৎ নৈবা য়ানবা শেমজিন শাজিনবা রিপোর্টনি হায়বগী থৌদোক ৱারীশিংদগী ঐখোয়না য়াম্না শেংনা খঙবা ঙমই।

সেপ্টেম্বর তারিখ ২১ নুমিৎ অদুমক্তদা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী অখন্নবা মিটিং অমা তৌদুনা ৱারেপ অহুমখক লৌখি। অহুমশুবা ৱারেপ অদুনা অসুম্না হায়-কৃষক সভা অমসুং প্রজা সঙ্ঘ হায়রিবা হিজম ইরাবত অমসুং মাইমোম মধুমঙ্গোল অনী অসিনা মথংশিৎনা প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরি ওইবা লূপ অনী অসিনা মণিপুর লৈঙাক্না আইন চত্থবদা অফবা পীরকপা লো অমসুং ওর্দর ঙাকপদা খূৎ থিংজিল্লকপা অমসুং মীয়ামগী ঈংনা লৈবা পুন্সিদা অকিবা পোকহনবা ওইবনা, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা মথক্কী লূপ অনী অসিবু সেক্সন ১৬, মণিপুর ক্রিমিনেল লো এমেন্দমেন্ট এক্ট ১৯৪৮ গী মতুং ইন্না আইন্না য়াদবনি হায়না লাউথোক্লে। মহারাজনা এক্ট অসি য়াবীরক্কনি হায়না মাঙজৌননা থাজবা লৈবনা এস পিনা থবক লৌখৎলগনি। ৱারেপ অহুম অসি সেপ্টেম্বর ২২ গী এক্সত্রা ওর্দিনারি ষ্টেট গেজেত্তা ফোঙখি। মহারাজগী অয়াবা ফাওবা লৌবা তৌদনা য়াম্না হাথু হাথুনা লৌখ্রিবা ৱারেপ অসিমক্তি জননেতা অমসুং মহাক্কী পার্টি/ওর্গেনাইজেসনশিংবু থুদ্রেক্লবা অতম্ননা লৌবা ৱারেপ ওইগনি। অদুম ওইনমক, মান্নবা খুন্নাই অমদা যূম্ফম ওইরগা অনৌবা মণিপুর অমা শেম্লগে হায়না চোঙথোক্লবা জননেতা হিজম ইরাবতকুম্বা মীশক অমদদি হেন্না হেন্নদুম, ৱারেপ অদু মতিক মথৌনা ফুদোকহল্লকখি।

সেপ্টেম্বর ২৮ দা জননেতা ইরাবতনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা কৃষক সভাগী ৱার্কিং কমিটিগী মিটিং অমা পাঙথোকখি। মতমদু জননেতানা য়ু জি ওইখ্রবা মতমনি। মিটিং অদুদা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ৱারেপ অহুম অদুবু শিংনদুনা মরু ওইবা ৱারেপ অহুম লৌখি- (১) মণিপুর কৃষক সভাগী মীওই অমনা পুলিস ওফিসার নরানবাবু হাৎলি হায়বসি অরানবনি মরমদি মীয়াম অদুদি মিটিং য়াওবা লাকপনি। করিগুম্বা মখলগী খূৎলাই পুদে। রাইফল, পিষ্টোল অমসুং চৈ পায়রিবদি লোরী অনিদা লাকখিবা পুলিসশিং অদুনি। মীয়াম অদুদা থিংলিবা, চৈনা ফুরিবা, নোংমৈনা কাপ্লিবদি পুলিসশিং অদুনি (২) অকায়বা পীরিবা অদুগী থৌদাংদি কৃষক সভা নত্তে, মণিপুর পুলিসনি, মরমদি আইন্না য়াবা মিটিং অমা লাকপদা নমদুনা থিংলিবা ফুরিবা অদুগা ৱাহৈ অমতা হায়রমদনা মীয়ামদা নোংমৈনা কাপ্লিবা অদু পুলিসশিং অদুননি। (৩) অশেংবা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদু খঙবীরগা মণিপুর পুলিসনা মীওৎ মীনৈ তৌরিবা অদু তৌহনবীগনু, ফাজিনখিবা মীওইশিং অদু থাদোকপীনবা অমসুং ফানবা ৱারেন্ট তৌরিবা অদুসু লৌথোকপীনবা মহারাজদা হায়জবা হায়না ৱারেপ লৌরম্মী। অসুম্না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ৱারেপশিং অদু মরম চাদে হায়দুনা অমমমতা ওইনা কৃষক সভাগী ৱার্কিং কমিটিনা শীংনরম্মী। মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ৱারেপশিং অদু অরানবনি হায়বা মরম চানা উৎলম্মী।

পুলিস ওফিসার নরানবাবু হাৎপগী মরাল শীজিনবিখ্রবা লাইরেনলাকপা অঙাংহলনা অতোপ্পা পুঙদোংবম মায়কৈগী মীওই ৬২ গা লোয়ননা অপূনবা ৱাকৎ চেরোল অমা ওক্টোবর তারিখ ২১ দা মহারাজ বুদ্ধচন্দ্রদা লানখৎখি। চেরোল অদুগী ৱা মচংদি - (১) ইনক্বারি কমিটি অমা শেম্বীদুনা পুঙদোংবম থৌদোকপু মীচঙ মীখায় নাইদনা থিজিনবিয়ু। (২) পুলিসনা মীয়াম্বু ওৎপীরিবা অসি থিংবিদুনা অৱা অনা কোকহনবীয়ু, (৩) থৌদোক অসিগী মরীদা ফাজিন্দুনা জেলদা লৈরিবা মরাল লৈতবা মীওইশিংবু থাদোকপীয়ু, (৪) ইরাবত অমসুং অতৈ এম এল এশিংবু ফাবগী ৱারেন্ট তৌরিবা অসি লৌথোকপীয়ু অমসুং মখোয়বু মথংগী ষ্টেট এসেমব্লি মীফমদা য়াওহনবীয়ু হায়বসিনি।

কৃষক সভাগী মেম্বর তখেল্লম্বম বোকুলনা কাবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুং চনবা পুখাও মায়কৈরোমগী এন ইবোতোনগা লোয়ননা মীওই ২১ খল্লসু ওক্টোবর ২২ দা চীফ মিনিষ্টরদা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখি। চেরোল অদুগী ৱা মচংদি - মীচঙ মীখায় নাইদবা ইনক্বারি কমিটি অমা শেম্বীয়ু, বিচার তৌবীদনা জেলদা থল্লিবা মীওইশিং অদু থাদোকপীয়ু, ষ্টেট এসেমব্লিদা খল্লবা মেম্বরশিংবু ফাবীগনু নৎত্রগা ফানবা ৱারেন্ট তৌবীগনু, ফানবা ৱারেন্ট লৈবা মরম্না মীখলদা কারবা ইরাবতনা অহানবা ওক্টোবর ১৮, ১৯৪৮ গী মীফম য়াওবা ঙমখিদবা অসি লাইবক থিবা অমনি, ইরাবতকী মথক্তা লৈবা ৱারেন্ট লৌথোকপীয়ু অমসুং মহাকপু এসেমব্লি কাবা য়াহনবীয়ু হায়বসিনি।

মীয়ামগী লুচিংবা জননেতা হিজম ইরাবতনা লুচিংবা কৃষকসভা, প্রজা সঙ্ঘ অমসুং লূপশিং অসিগী মীওইশিংনা পুঙদোংবম থৌদোক্তা পুলিসশিংগী কা হেনজিনবা থৌওং থৌদৌশিংগী মতাংদা য়ানীংদবগী ৱাকৎ চেরোল কয়া মণিপুরগী মহারাজ অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখি। খ্বাইদগী মরীক চুম্বা ৱারোল য়াওবা নীংশিং চেরোল অদুদি কৃষক সভানা আসামগী গভর্ণরদা তাং ২৫/১০/১৯৪৮ দা পীশিনখিবা অদুনা ওইগনি খল্লি। নীংশিং চেরোল অদুগী ৱা মচংশিং অদুদি মসিনি ... এম দি য়ুদা কৌখিবা মিটিং অদুগী অয়াবা মাঙজৌননা এস পিদগী লৌখি। পুলিসশিং অদুনা মীয়ামদা হেক্তা কাপথোকপা য়াবগী মওংদা থৌরাং তৌদুনা মীয়ামগী মরক্তা নমখায়দুনা চঙশিল্লক্লম্মী। অদুগা কহ্নাইমচাদা কাপ্নবগী নিশান তৌরম্মী। মীয়াম অদুনা কিরদুনা কহ্নাইমচাবু চিংথোক্লম্মী। মতম অদুদা নরানবাবু এস আইনা নোংমৈ কাপ্নবা ওর্দর পীরম্মী। অদুবু লাইবক থিবদগী খজিক্তং হন্না নোংমৈ কাপথোকখিরম্মী। নোংমৈ মরুনা মহাক্কী মমাঙমক্তদা লৈবা নুপা অমগী মফৈগন্দা খেক্তুনা চৎখ্রগা নরানবাবু মশাদা পাল্লম্মী। পুলিসনা লাথি চার্জ তৌরম্মী। শাথিনা অশোক অপন থোক্লম্মী। ফারবা মীওই পুম্নমক অদু থানাদা, অঙাংহলনা নরানবাবু এস আইবু নোংমৈনা কাপ্পনি হায়না মখোয় মশাবু নমদুনা য়াহনবা ফাওবা মীনুংশি য়াওদনা অখাকপা লৈতনা ওৎ নৈরম্মী। মথং নুমিৎকী ওৎ নৈবা অদুদি ঙমখৈ লৈরমদে। অফাবা মীওই পুম্নমক নুমিৎ মঙানি চাক পীজরমদে। ফম্নবা অমসুং ওৎ নৈবদগী ৱাখল মাঙলবা কহ্নাইমচাবু অহিং অমা চুপ্পা ঈশিংদা তিংলম্মী। ফাখ্রিবা অদুগী মনুংদগী ১০৯ খক্তিং অঙাংহলবু ফাবদা মতেং পাঙউ হায়না পাউতাক পীরগা থাদোকখি। অতৈশিং অদুদি জেলদা থাজিনখি।

মতৌ অসুম তৌদুনা, মণিপুরদা লৌমীশিংবু পাক্তক্লনা ফাবগী থবক মপূং ফানা চত্থরি। খুঞ্জাশিং কিবদগী অয়ূক নুংথিলগী মতমদা চীংদা লোক্তুনা খাঙনরম্মী। মণিপুরগী মফম খুদিংদা 'কিহনবনা লৈঙাক্লে'। হায়দ্রবাদতা রাজাকারশিংনা লৈঙাকপগুম মণিপুরদা পুলিস লৈঙাক লৈরে। পুলিসখক্তনা ইনক্বারি তৌবা অসি য়ানীংদে। মীচঙ মীখায় নাইদবা ইনক্বারি কমিটি অমা খুদক্তা শেম্বীয়ু। বিচার তৌবীদনা জেলদা থল্লিবা লৌমীশিংবু থাদোকপীয়ু অমসুং মখোয়গী মথক্তা লৈরিবা ৱারেন্ট পুম্নমক লৌথোকপীয়ু। মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা মণিপুর কৃষক সভাবু আইন্না য়াদবনি হায়না হেক্তা লাউথোকপা অসি দিমোক্রেটিক ওইবা থবক নত্তে। মসিদি মণিপুর মীয়ামগী অয়াম্বা শরুক ওইরিবা লৌমীশিংগী খুন্নাইগী ওইবা অমসুং মশাগী ওইবা মনীং তম্ববু ককথৎপীবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লবগীদমক্তা মথক্তা হায়জখ্রিবা অচুম্বশিং অসি খন্নবীদুনা মথৌ তাবা থবকশিং তৌবীনবা মণিপুর কৃষক সভানা হায়জরি হায়দুনা আসামগী গভর্ণরদা নীংশিং চেরোল অদু পীশিনখি।

মীয়ামগী লুচিংবা জননেতা ইরাবতকী মথক্তা লৈরিবা ৱারেন্ট অদু লৌথোকপীয়ু হায়না হায়জবা অদু মতমদুগী লৈঙাক্না য়াবিখিদ্রে। পুঙদোংবম থৌদোক অসি খুদক্কী ওইবা হকথেংনবা মরম পীশিন্দুনা অরানবদা যূম্ফম ওইবা ৱারেন্ট অমা থোকচিনখিবনা মরম ওইরদুনা মীয়ামগী লুচিংবা জননেতা হিজম ইরাবত মহৌশাগী ওইবা খুন্নাই পুন্সিদা অমুক হন্না থোক্লকপা য়াখিদ্রে।